# নুমিৎ ২০নি তুমিন্না লৈরুরবা কিম জোং উন মীয়াম মমাঙদা থোরক্তুনা পব্লিক ফঙ্কসনদা শরুক য়াখ্রে



সিওল, মে ০২ (এজেন্সী): কিম জোং উনগী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা চয়োল কয়ামুক ৰাখলনা শাগৎপা রিপোর্ট কয়া ফোঙনখিবা মতুং থাংজ নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী কে সী এন এনা লৈবাক অসিগী লিদর অসিনা কেপিটেল পিয়োংয়াংগী অৰাংদা লৈবা ফর্টিলাইজর প্লান্ট অমা মপুং ফানা লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াবগী পাউ অমা ফোঙখ্রে। মদুনা এপ্রিল ১১গী মতুংদা মহাক্না মীয়াম মাঙদা থোক্লকখিবগী অহানবা রিপোর্ট ওইরি।

কে সী এন এনা ফোঙদোকখিবদা কিমনা ইরাই নুমিৎকী থৌরম অদুদা রিব্বন ককখি অমসুং থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা সুপ্রিম লিদরদা নিল খোঙদুনা হরাও তয়াম্বা উৎখি। কে সী এন এনা ফোঙবা ফোটোগ্রাফশিংদা রিব্বন ককপগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা এইদশিং অমসুং প্লান্ট অদুদা টুর তৌবদা লোয়নরিবা ওফিসলশিংগা কিমগা ৰারী শান্নবদা মহাক্না হরাও তয়াম্না নোকপগী শক্তমশিং উবা ফংখি।

ওফিসল রোদোং সিনমুন পার্ড চেগী ৱেবসাইটতা ফোঙলকখিবা ফোটোশিং অদু অচুম্বা ওইরম্বা য়াই হায়বগী মতাংদদি এজেন্সীনা ভেরিফাইদ তৌবা ঙমখিদে।

আর্মি অমসুং রুলিং পার্টিগী ওফিসলশিং অমসুং প্রোজেক্ট অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবা তিল্লিবশিংগী মরক্তা মীওই কয়া অমা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নবগা লোয়ননা কিম অমসুং মহাক্কী এইদশিংনা থৌরমদুদা শরুক য়াদুনা লৈরিবা পোদিয়মদগী থাপ্না লেপ্লগা লৈখি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌবা লৈতবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিবু থিংনবা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। কিমনা মীয়াম মমাঙদা মতম শাংনা থোক্লক্তবগী মরম অমদি কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা মহাক্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপদগী ওইরম্বা য়াই হায়না মমাঙদা সাউথ কোরিয়াগী সোর্ছ খরা পল্লদুনা রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখ্রবনি।

থৌরম অদুদা কিমগা লোয়নখিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী মচননুপী কিম য়ো জোং য়াওনা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসলশিং মকোক থোংবা মহাক্কী এইদশিং ষ্টেট এফেয়র্স কম্মিসনগী ভাইস-চ্যেরমেন পাক পোং জু অমসুং কেবিনেট প্রেমিয়র কিম জে রিয়োং য়াওখি।

অমরোমদা, কিমগা মরী লৈনবা কে সী এন এগী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদি কম্মেন্ট পীনিংদে হায়না যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

## ফুদ ট্রকশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে

সানা, মে ০২ (এজেন্সী): থাংজ নুমিৎতা য়েমেনগী সেন্ত্রেল প্রোভিন্স বৈদাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হিদাং লাংথকশিং পুবা ট্রকশিংদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী হৌথি রেবেলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রেবেলশিং অসিগী মতুং ইন্না বৈদাগী অৰাং নোংপোক থংবা অফ্রা এরিয়াদা হৌথি মিলিসিয়ানা হন্দক্তা লিংখৎখিবা কষ্টমস ওফিস অমদা ট্রকশিং অদুনা খামদুনা লৈরিঙৈদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু চথরকখিবনি।

অফ্রা এরিয়া অসি য়েমেনগী খুৎ থোক্নরিবা ফোর্সশিংগী মরক্তা লৈবা ফ্রন্ট লাইন অমগা নক্নবা মফমনি। অদুম ওইনমক কোলিসনগী মায়কৈদগীদি এয়র ষ্ট্রাইক্কী ৰাফম অসি কনফার্ম তৌরকখিদে হায়রি।

কুমজা ২০১৪গী অথেংবদা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি রিবেলশিংনা য়েমেনগী অৰাং থংবা লমদমগী অয়াম্বা শরুক কন্ত্রোল তৌশিনখিবগা লোয়ননা মালেমনা শক খঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মন্সুর হাদিগী গভর্ণমেন্ট সানাদগী নমদুনা ইন্থোকখিবদগী লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখিবনি।

# জেলগী ইরাংদা ইনমেট ৪৬ শীরে




করাকাস, মে ০২ (এজেন্সী): ভেনিজুয়েলগী জেল অমগী ইনমেটশিংনা ইরাই নুমিৎতা জেলদুদগী নান্থোক্লবা হোৎনখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা য়ামদ্রবদা প্রিজনর ৪৬ শীরে অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নংলে হায়না লমদম অদুগী ওপোজিসন লো মেকর অমসুং মিলিটরি রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল গার্দকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবদা কেপিটেল করাকাসকী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্না লৈবা সেন্ত্রেল পোটুগ্বেসা ষ্টেটকী লোস ললানোস জেলগী মরু ওইবা গেট নমখাইনবা হোৎনখিবা খুৎলায় পায়বা প্রিজনর গ্রুপ অমদা লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপখি। লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্লবা মতুংদা ইরাং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা মেগাফোন পায়বা ওফিসার অমনা প্রিজনরশিংগা নিগোসিএসন তৌনবদগী প্রিজনরশিং অদু মখোয়গী ফিরেপ হন্দোকপগী ফিভম য়াখি হায়রি।

মিলিটরিগী মায়কৈদগী জেল মনুংদা অহেনবা মীশি মীনাশিং থোক্লম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা লো মেকর মারিয়া মার্তিনেসনা এজেন্সীদা মীওই ৪০ হেন্না শীরে হায়বসি খঙলে হায়খি।

ষ্টেট কেপিটেল গুৱানারেগী মনাক্তা লৈরিবা মার্তিনেসনা ফোঙদোকখিবদা প্রিজনরশিংগী মরী মতাশিংনা চানা থক্লবা পোৎলমশিং পুরকপদা জেলগী ওথোরিটিশিংনা মখোয়বু চঙহন্দবদগী ইরাং অদু হৌরকখিবনি। ইনমেট কয়ানা নোংমৈ অমদি থাঙনচিংবা খুৎলায় কয়া শীজিন্নবা লৈখিবা ইরাং অদুদা জেলগী দিরেক্টর কার্লোস টোরো নঙ্গন অমসুং ঙকশমদা থাঙফম খরা য়াওনা অশোক অপন নংখি।

থৌদোক অসি ভেনিজুয়েলানা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থিংননবা সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং অতৈ চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৈরিঙৈদা থোক্লিবনি।

# নুমিৎ ৪৮গী মতুংদা স্পেনগী মীয়াম মপান থোক্তুনা শাজেল তৌনখ্রে



মাদ্রিদ, মে ০২ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা স্পেনদা লোকদাউন থমখিবদগী নুমিৎ ৪৮নিগী মনুংদা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লদুনা মপানদা শাজেল তৌনখ্রে।

ইফো ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, ইসেন্সিএল ৱার্করশিংদমক নত্তনা স্পেনগী মীয়াম য়ুমদগী থোক্তুনা থবক তৌবা য়াখিদে। লৈবাক অসিগী মীওই মিল্লিয়ন ৪৭কী মনুংদগী অয়াম্বনা চান-থক্লবা পোৎলম নত্রগা হিদাক লাংথক লৈবা নত্তনা মার্চ ১৪দগী য়ুমদগী মপান থোক্লখিদে। লৈবাক অসিগী অঙাংশিংগী ওইনদি এপ্রিল ২৬তগী অহল অমগা লোয়নরগা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াহনখি। হৌজিক্তী অঙাংশিং অসি অহিং নোংয়াই পুং ১২ অমসুং নুমিদাং পুং ৭কী মরক্তা অহলশিংগা লোয়ননা য়ুমদগী থোকপা য়ারে হায়না ওফিসলশিংনা খঙহনখি।

মী কা হেন্না তিনবগী ফিভম লাকহন্দনবগীদমক্তা হেল্থ মিনিষ্টর সলবাদোর ইলাননা মীয়ামদা শজেল তৌনবগী ষ্ট্রিক্ট সেদ্যুল পীদুনা ইন্দিভিজ্যুলশিংনা অয়ুক পুং ৬ অমসুং অয়ুক পুং ১০গী মরক্তা অমদি নুমিদাং পুং ৮ অমসুং নুমিদাং পুং ১১গী মরক্তা এক্সরসাইজ অমসুং ৱাকিং য়াগনি হায়না লাউথোকখি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্সন মতুং ইন্না মীয়াম্না নোংমদা অমুক্তমক চৎকদবনি। মখোয়না ইমুংগী মীওই অমগা লোয়ননা চৎপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ময়ুমদগী কিলোমিটর ১দগী হেন্না চথোকপদি য়ারোই। স্পোর্টিং এক্টিভিটিসশিং তৌগদবা মীওইশিংনা ম্যুনিসপাল এরিয়াগী মনুং চন্না মখোয়গী এক্টিভিটিশিংদু পাঙথোকচবা য়াই। চহী৭০ হেল্লবা মীওইশিং অমসুং ইমুংগী মীওই য়াওরগা মপানদা থোকপগী তঙাইফদবা লৈবা মীওইশিংদি অয়ুক পুং ১০ অমসুং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২গী মরক্তা অমদি নুমিদাং পুং ৭ অমসুং ৮গী মরক্তা মপানদা কোইথোকপা য়াগনি।

# ‘সাউদি অরাবিয়ানা থাও সপ্লাই ককথদ্রবদি মিলিটরিগী মতেং ফংলরোই’



ৱাশিংটন, মে ০২ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউদি অরাবিয়াদা রসিয়াগা থাওগী মমলগী মতাংদা লান তৌনবা লেপ্পবা তকশিল্লকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হিরম অসিগী মতাংদা সাউদি লিদরশিংদা অল্টিমেটম অমা পীখ্রে।

এপ্রিল ২দা ট্রম্পনা সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মুহমদ বিন সলমানগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা ওর্গনাইজেসন ওফ দ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিজ (ওপেক)না থাও পুথোকপগী চাং হন্থদবা তারবদি কিংদম অদুদগী যু এস ট্রুপশিং লৌথোক্লবা যু এস লো মেকরশিংনা লেজিসলেসন অমা পাস তৌনবা হোৎনরকপদা মহাক্না থিংবা ঙম্লোই হায়খি।

ৱাফম অসি হিরম অসিগী মতাংদা মুন্না খঙবা ছোর্স মরিনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবনি। মমাঙদা অমুক্তা ফোঙবা লৈখিদ্রিবা চহী ৭৫শুরবা ষ্ট্রেটেজিক এলাইন্স অমা লোইশিনবগী থ্রেট অসি যু এসনা কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা গ্লোভেল দিমান্দ কা হেন্না হন্থখিবদগী থাও পুথোকপা অমদি সপ্লাই তৌবগী চাং হন্থনবা মরু ওইবা গ্লোভেল দিল অমা লাকহনখিবা যু এসকী প্রেসরগা মরী লৈনরি।

থাও পুথোকপগী চাং হন্থহনবগী ৱাফম লাউথোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ ১০নিগী মমাঙদা ট্রম্পনা ক্রাউন প্রিন্সতা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। যু এস ছোর্স অমগী মতুং ইন্না কিংদম অসিগী দিফেক্টো লিদর সলমান ট্রম্পকী ৱাফম অদুদা ঙকখিবগা লোয়ননা মহাক্না কা অদুদা লৈরম্বা মহাক্কী এইদশিং মপানদা থোকহন্দুনা ট্রম্পকা চীক্না মখা তানা ৱারী শান্নখি।

কোরোনাভাইরস থেংননবা হোৎনবদা মালেমগী গভর্ণমেন্টশিংনা শেল-থুমগী থবক থৌরম পুম্নমক লেপ্পখিবদগী যু এসকী ওইল ইন্দষ্ট্রিদা চাওনা চৈথেং পীরক্কদবদগী ট্রম্পনা কনবা পাম্মী হায়বসি খোঙথাং অসিনা উৎলি হায়রি।

# ‘অরোগ্যা সেটু এপ প্রাইভেট, গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্না শীজিন্নগদবনি’



ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস ট্রেকর এপ অরোগ্যা সেটুবু লৈবাক অসিগী লন্নাই অমসুং গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্না কম্পলসরি ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টকী ওইরবসু লান্নাইগী ওইরবসু লৈবাক অসিগী মফম অমদা লৈরিবা ওফিস অমদা থবক তৌবা লাক্লিবা মীওই খুদিংমক্না চয়োল অনী চুপ্না লোকদাউন শাংদোকপা হৌগদৌরিবা মে ৪দগী মখোয়গী মোবাইলদা এপ অসি হাপকদবনি।

এপ অসি য়াওদনা ইমপ্লোয়িশিংনা থবক তৌরম্বগী থৌদাং কম্পেনিশিংগী মকোকশিংনা পুগদবনি। কোভিদ-১৯ কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকসু এপ অসি দাউনলোদ তৌগদবনি। অদুম ওইনমক য়ুমদগী লাপ্না চৎলগা থবক তৌরিবশিংদি এপ অসি শীজিন্নদ্রবসু য়াই। সেন্টরনা মথংগী চয়োল খরা অসিগী মনুংদা এপ দাউনলোদ ক্রোর ৩০ য়ৌহনবগী টার্গেট অমা থমখ্রে হায়রি।

অরোগ্যা সেটু এপ অসি এপ্রিলগী অঙনবা শরুক্তা মীশিংনা পাম্নবা পাম্নদবগী মতুং ইন্না শীজিন্নবা য়ানবা হৌদোকখিবদগী মীয়াম্না পাক শন্না শীজিন্নরক্লিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ই)গুম্বা এদ্যুকেস্নেল বোদিশিংনা ফাওবা এপ অসি শীজিন্ননবা মীয়াম্বু পুক্নিং থৌগৎতুনা লাকখি।

এপ অসি শীজিন্নবগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা গাইদলাইনশিংদা ওথোরিটিশিংনা অরোগ্যা সেটু এপ অসিবু কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা মীপুম খুদিংমক্না শীজিন্নহনগদবনি হায়নসু পনখি।

অমরোমদা এক্সপার্ট খরনদি এপ অসিগী মতাংদা প্রাইভেসিগী ৱাফম হৌদোকখি। মখোয়না হায়রিবদি এপ অসি তঙাইফদনা চংফম থোকপা দেটাদগী য়াম্না হেন্না চংবগা লোয়ননা অতৈ লৈবাকশিংগী কন্টেক্ট-ট্রেসিং এপশিংগী ষ্টেন্দার্দ য়ৌবা ঙম্লোই হায়বসিনি। মখোয়গী মতুং ইন্না জি পি এসতা য়ুম্ফম ওইবা লোকেসন দেটা শীজিন্নবা হায়বসিসু লুনা খন্নদবা য়াদবা ৱাফম অমনি।

গভর্ণমেন্টকী থিঙ্ক টেঙ্ক নিতি আয়োগনদি এপ অসিবু শীজিন্নবগী ৱাফম শৌগৎপগা লোয়ননা জি পি এস দেটানা অনৌবা হোটস্পোটশিং খঙদোকপদা মতেং পাংই হায়রি।

# ইন্দিয়াদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ষ্ট্রেন ম্যুটেসন তৌখ্রবরা হায়বগী মতাংদা আই সী এম আরনা থিজিল্লগনি



ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী): হৌখিবা থা অনী হেনবগী মতম অসিদা ইন্দিয়াদা নোভেল কোরোনাভাইরস শন্দোরকখিবদা ভাইরস অসি লৈবাক অসিদা ম্যুটেসনগী থৌওং চথখিবা লৈরমগদ্রা হায়বগী মতাংদা লৈবাক অসিগী টোপ মেদিকেল বোদি ওইরিবা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)না ষ্টদি চথনবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

লৈবাক অসিগী টোপ হেল্থ রিছার্স বোদি অসিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমগী মতুং ইন্না সার্স-কোভি ২ ষ্ট্রেন অসিগী মওং মতৌ হোংখ্রে নত্রগা হোংদ্রি হায়বা চপ চানা লেপথোকপা অসিনা লায়না অসিগী ইফেক্টিব ভেক্সিন অমা পুথোকপদা মতেং পাঙগনি। ষ্টদি অদুনা ভাইরস অসি ইন্দিয়াদা হেন্না শাথিরক্লে নত্রগা শন্দোকপা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎলকপগী মওং লৈরে নত্রগা লৈত্রি হায়বদুসু লেপথোক্কনি।

নোভেল কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন ম্যুটেসন তৌখ্রে হায়বসি লেপকদৌরিবা ষ্টদি অদুগীদমক্তা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংদগী সেম্পল লৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী সেম্পলশিং পুথোক পুশিন তৌবগী থবক্তা হৌজিক্কী ওইনদি খুদোংচাদবা লৈবনা ষ্টদি অদু লোকদাউন হেক লৌথোকখিবগা হৌবা য়াই হায়না আই সী এম আরগী সাইন্টিসশিংনা ফোঙদোকখি।

গ্লোভেল ইনিসিএটিভ ওন সিয়রিং ওল ইনফ্লুয়েঞ্জা দেটা (গিসএইদ)কী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা থেংনরিবা নোভেল কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেনগী মেক্সিমম খেন্নবগী চাং অসি অতৈ লৈবাকশিংগী ষ্ট্রেনশিংগা চাংদম্নবদা চাদা ০.২ অমসুং ০.৯গী মরক্তা লৈ হায়না অতোপ্পা সাইন্টিস অমনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা ভাইরস অসিগী ষ্ট্রেন অহুমগী হৌরকফম খঙবা ঙম্লে। ষ্ট্রেন অমদি ৱুহানদগীনি অমসুং অতৈ ষ্ট্রেন অনীনা ইটালি অমসুং ইরানদগীনি। ইরানদগী লাকখিবা কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেনগী সিক্বেন্স চাইনাগীগা মান্নরম্বা থেংনখি হায়রি।

# খুৎলায় ফাবগী কেসতা চেন্নদুনা মীচেল ওইরকখিবা অমা ফারে




ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী): ঝরখন্দদা মাওইষ্টশিংগী য়াল্লবা খুৎশু-খুৎলাই ফাগৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবদগী লোৎতুনা লৈরকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হুগ্লিদগী প্রোপর্টি মেনেজর অমা ফারে হায়না নেসেনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

এন আই এগী স্পোক্স পার্সন অমনা হিরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা ঝরখন্দগী মাষ্ট গ্রুপকী প্রোপর্টি মেনেজর অমা ওইনা থবক তৌখিবা মনোজ চৌধরি ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা হুগ্লিদগী ফাখি। মঙোন্দগী ইম্মুভেবল প্রোপর্টিশিংগী ট্রান্সজেক্সনশিং উৎপা চীংনিংঙাই ওইবা দোক্যুমেন্ট কয়াসু ফাগৎখি। চহী অহুম হেন্না লোৎতুনা লৈরকখিবা একুজ অদু রাঞ্চিদা লৈবা স্পেসল এন আই এ কোর্টনা নুমিৎ মঙাগী মতমগী ওইনা এজেন্সী অসিগী কষ্টদিদা ফাখি।

কুমজা ২০১৮গী মার্চতা গিরিদিদগী য়াল্লবা খুৎশু-খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবা মতুং চহী অদুগী মে থাদা এন আই এনা মাওইষ্টকী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখিবনি। পুলিসনা সী পি আই - মাওইষ্ট এস এ সীগী মেম্বর সুনিল মঞ্জি য়াওনা মাওইষ্টশিংনি হায়না চীংনবা মীওই ১৫ ফাগৎপা লৈখি। এন আই এনা কেস অসি থিজিনবগী থবক মমৈথংদা পুলিসতগী লৌশিনখি। মতুং তারকপদা এন আই এনা অহেনবা খুৎশু-খুৎলায় কয়া অমসুং বোকারোগী লুগু পহাদি এরিয়াদগী ফাগৎখি। এন আই গী স্পোক্স পার্সন অসিনা হায়, ইনভেষ্টিগেসনদা চৌধরি হায়রিবা মীশক অসি অথিংবা থমখ্রবা টেরর আউটফিট কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)কী এক্টিব মেম্বর অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মহাক্না সিনিয়র মাওইষ্ট কাদরশিংনা খোমগৎখিবা শেনফমশিং ইনভেষ্ট তৌবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

# মৈগী বিল কোমথোক্লবা দিল্লিগী ভিল্লেজশিংনা দিমান্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০২ (এজেন্সী): লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন চথদুনা লৈরিঙৈ মরকসিদা নেসনল কেপিটেলগী ভিল্লেজ কয়ানা চীফ মিনিষ্টর অরিবন্দ কেজ্রিৱালদা মখোয় ইনকম লাকপা থবক অমত্তা তৌবা লৈত্রে হায়রদুনা ইলেক্ট্রিসিটি বিল কোমথোকপীনবা অপিল তৌখ্রে।

সহাপুর জাট ভিল্লেজ এসোসিএসননা এপ্রিল ৩০দা কেজ্রিৱালদা ইখিবা লেটরদা কম্মর্সিএল ইষ্টাব্লিষ্টমেন্টশিংনা মৈগী বিলশিং ৱিদ্রো তৌনবা অমসুং ভিল্লেজশিং অমসুং অকোয়বগী রেসিদেন্সিএল য়ুনিটশিংদা অহেনবা সবসিদি লাউথোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

ভিল্লেজ সোসাইটি অসিনা হায়খি মদুদি দিল্লিদা লৈরিবা কম্মর্সিএল য়ুনিট খুদিংমক থবক লেপ্পখ্রবসু ইলেক্টিসিটি কম্পেনিশিংনা সহাপুর জাট, মুনিরকা, বেরসেরাই, কিসানগর, মেহরৌলি অমসুং অতৈ মফমশিংদা লৈবা ইমুংশিংদা প্রোভিজন বিলশিং থাবা লেপত্রি। থা অমা হেন্না ইলেক্ট্রিসিটি শীজিন্নবগী থৌওং অমত্তা চথবদি লৈতনা করম্না ইলেক্ট্রিসিটি কম্পেনিশিংনা বিলশিং ইশ্যু তৌগদৌরিবনো হায়না হংলদুনা চীফ মিনিষ্টরদা ইবা লেটর অদুদা এসোসিএসন অসিনা হায়, য়ুনিটশিং অসি লোকদাউন লৈখিবদগী বিজিনেস অমত্তা তৌরক্ত্রে হায়বসি চুম্লবা ৱাফম অনি। মরম অদুনা মখোয়বু লোকদাউনগী মতমগী ওইনা ইলেক্ট্রিসিটি বিল অমত্তা পীহনবা তৌরোইদবনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসি য়েংদুনা দিল্লিগী অসিগুম্বা ভিল্লেজ এরিয়াশিংদা লৈরিবা রেসিদেন্সিএল য়ুনিটশিংগী ওইনসু গভর্ণমেন্টনা লোকদাউনগী মনুংগী ওইনা ইলেক্ট্রিসিটি বিলশিংদা চাদা ৫০গী রিবেট পীননবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি।